## *মাপলশুবা চালৌ কপ লম্লাই কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট*

# এম এস এফ সি হৈঙাং অমদি লনগৈ এফ সি ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৭ঃ

চালৌ য়ুঠ য়ুনিয়ন ক্লবনা শীন্দুনা চালৌ কংলৌ লম্পাক্তা থা অসিগী ৪দগী টিম ২৬ না গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা ৯শুবা লম্লাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ এন্দ ইনভাইটিস মেন ওপন সভেন এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা লনগৈ এফ সি সঞ্জেনবম মায় পাক্তুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা এম এস এফ সি হৈঙাংগা ফাইনেল শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪৪শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা লনগৈ এফ সি সঞ্জেনবমনা সেক্তা এফসি (বি) বু কিক ফোর্ম পেনাল্টি মার্কতা গোল ৮–৭ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগীদা টিম অনীমক্না অপীবা মিনট লোইবা ফাওবদা গোল ২–২ দা লোইনখি।

অহানবা হাল্ফকী অঙনবা মিনটশিংদা লনগৈ এফসি না গোল একাউন্ট হাংনবা হোৎনদুনা সেক্তা এফসি (বি) গী মাইকৈদা এটেক্ট চথখি।

লনগৈ এফ সি না মিনট ৮ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৯ ক্লুইটননা গোল একাউন্ট হাংদুনা ১–০ দা মাংজিল থাখি।



গোল শোথরিবা সেক্তা এফসি (বি) না হাল্ফ মমাংদা গোল হনে দাক্লবা হোৎনরক্তুনা লনগৈ এফসিবু অমুক লাকশিলনা শান্নরকখি। সেক্তাগী জর্সি নম্বর ১০ এস নাওচানা মিনট ১৭ চৎপদা গোল হন্দোক্তুনা ১–১ দা লৈদুনা মেটচ অসিগী লমজেলদা অমুক য়াওশিল্লক্লবা হোৎনরবসু লনগৈ এফ সি না মিনট অহুম কান্নরগা মিনট ২০ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৫ সুরঞ্জিৎনা লনগৈগী গোল অমগা হাপচিনদুনা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা গোল ২–১ দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফ হেক হৌরকপগী মিনট ৩১ চৎপদা সেক্তা এফ সি (বি) না শোথরিবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৭ এন হেনরিনা অমুক হন্দোক্তুনা ২–২ দা লৈখি।

টিম অনীমক্না অপীবা মিনট লোইবা ফাওবদা অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্মদবদগী ৱিন্নর দিসাইদ তৌনবা কিক ফোর্ম পেনাল্টি মার্ক কাউনখি।

পেনাল্টি মার্ক অদুদা লনগৈনা গোল ৬ অদুগা সেক্তা এফসি (বি) না গোল ৫ চনখি।

লনগৈ এফসিগী পেনাল্টিগী গোলশিং অদু কুইন্টন, রোজর, সুরঞ্জিৎ, সনাজাওবা, মোচা অমদি কিরঞ্জিৎনা গোলদা ওন্থোকখি।

সেক্তা এফসি (বি) গী পেনাল্টিগী মার্ককী গোলশিং অদুনা এস বসন্ত, এন অরজুন, এস নাওচা, এম থৌঙাম অমদি এল রোবিন্সননা চনখি।

মেটচ অসিদা লনগৈ এফ সি গী দেবান, ক্লিন্টন, রোজর অমদি সেক্তা এফসি গী এন হেনরি, এস ঐচ বিজেন্দ্র রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

## অহানবা বি বি এম নিংশিং ত্রোফি ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# অহানবা মেটচতা ফ্লাম ইম্ফাল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৭ঃ

য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা এস দব্লিউ সি নুংঙোই গ্রাউন্দা ঙসিদগী অহানবা বি বি এম নিংশিং ত্রোফি ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ টিম ৮না গ্রুপ–২ থোক্লা খাইদোক্তুনা শান্নবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা সঙাই এক্সপ্রেসকী প্রোপাইটর নিসিকান্ত সিংহ সাপমনা চীফ গেষ্ট, য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এন জি ব্রজাকুমার সিংহ না থৌরমগী প্রসিদেন্ট, পুংদোংবম গ্রাম পঞ্চাদকী এক্স উপা প্রধান এল সুরজিৎ মৈতৈ অমদি এস এস সি সেক্তাগী এদভাইজর এন সুদির সিংহ না গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা ঙসি গ্রুপ–দিগী ওইনা শান্নখিবা মেটচতা ফ্লাম ইম্ফালনা আই ই ভি ই এফ এ সলাম্থোংবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা আই ই ভি এফ এ থাং



মৈবন্দনা লাকশিন্না শান্নদুনা ফ্লামগী মাইকৈদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট চথরকখি।

এটেক্টশিং অদুগী হোৎনজম ফঙদুনা মিনট ১০ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ২৭ এস শ্যামসননা মেটচ অসিগী অহানবা গোল চনদুনা ১–০ দা মাংজিল থাখি।

ফ্লামনা শোথরিবা বোল অদু হাল্ফ মমাংদা হন্দোক্লবা হোৎনদুনা শান্নরবসু আই ই ভি এফ এ গী দিফেন্দরশিংনা ফ্লামনা চথরকখিবা এটেক্টশিং অদু অরেম্বা তাহন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদি গোল অমত্তা চালহনবা ঙমদনা ১–০দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল শোথরিবা ফ্লামনা অনৌবা লাং লোন শিজিন্নরক্তুনা মেটচ অসি মাই পাক্লবা হোৎনরক্তুনা আই ই ভি এফ এ গী মাইকৈদা এটেক্ট হেঞ্জিল্লকখি।

ফ্লামনা মিনট ৩৬ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৩ হিমিন্থাং হাওকিপনা গোল হন্দোক্তুনা ১–১ দা লৈখি।

গোল হন্দোক্লবা মতুং দা মেটচ অসি মাইয়োল অমদা লাক্তুনা ফ্লামনা মেটচ অসি অমুক লাকশিল্লক্তুনা শান্নরকখি।

মেটচ অসিগী লেমহৌরিবা মিনটশিংদসু ফ্লামনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎনরক্তুনা মিনট ৫৫ চৎপদা জর্সি নম্বর ৩৫ কেঐচ রোমেননা অনীশুবা গোল চনদুনা ২–১ দা মাংজিল থাখি।

মেটচ অসিগী অপীবা মিনট লোইরমদাই মিনট ৫৮ তা ফ্লামগী জর্সি নম্বর ১৬ কেঐচ রতননা টিমগী অহুমশুবা গোল চনদুনা ৩–১ দা মাংজিল থাদুনা মায় পাকপগী য়ুম্ফম অদু থোনখি।

মেটচ অসিদা ফ্লামগী জর্সি নম্বর ২ সুরামানিদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং গ্রুপ–বিগী মেটচ ওইনা এটিভিএফএ থাং মৈবন্দ অমদি সঙাই এফসি থাং মৈবন্দনা নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদা শান্নরগনি।

# তরেৎশুবা কে য়াইমা নিংশিং ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট

## তফাসা তবুংখোক মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৭ঃ

অকাম্পাৎ ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন, অকাম্পাৎনা শীন্দুনা ১১ ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ফুটবোল গ্রাউন্দ অকাম্পাৎতা টিম ১৩না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা থা অসিগী ২০দগী চথরক্লিবা ৭ শুবা কোইজম য়াইমা নিংশিং ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা গ্রুপ–দিগী মেটচ অমদা তফাসা তৌবুংখোক মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–দি গী মেটচ অসিদা তফাসা তৌবুংখোকনা আই ই ভি এস এ বম্মাপুর মংজিংবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা টিম অনীমক্না অকনবা মওং দা লম্বা তৌনদুনা ১১ ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ফুটবোল গ্রাউন্দা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্নিং চিংশিনখি।

অহানবা হাল্ফকী মিনট ১৪ চৎপদা তফাসা তৌবুংখোকগী জর্সি নম্বর ১৪ ঐচ নোবিননা আই ই ভি এস এ গী দিফেন্দরশিংগী অহৌবাগী তাঞ্জা অমদা গোল একাউন্ট হাংদুনা



১–০ দা মাংজিল থাখি।

তফাসানা গোল অমা মাংজিল থারিবা অদু থাংনবা মিনট ১৫ দা গোল শোথরিবা আই ই ভি এস এ গী জর্সি নম্বর ৯ পি গোপালনা তফাসাগী গোল কিপরবু মায়থিবা পীদুনা অহাংনবা নেট মনুং দা চঙহনদুনা গোল হন্দোক্তুনা ১–১ দা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌরিবা মিনটশিংদা টিম অনীমক্না গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা কয়া ফঙলবসু টিম অনীমক্কী কিপরশিংনা মথৌ খঙনা শান্নদুনা টিমশিংগী এটেক্টরশিংনা চথরকখিবা এটেক্টশিং অদু অরেম্বা তাহনদুনা অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্মদবদগী অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবা ১–১ দা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফতা তফাসা তৌবুংখোকনা অনৌবা লালোং শিজিন্নরক্তুনা মেটচ অসি মায় পাক্লবা হোৎনরক্তুনা আই ই ভি এস এ গী দিফেন্দরশিংবু মথৌ চিলহনখি।

তফাসানা চথরকপা এটেক্ট অমদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৮ এম দি চাওবানা মিনট ৫৩ চৎপদা তফাসাগী অনীশুবা গোল অদু চনদুনা মাই পাকপগী য়ুমফম অদু থোনখি।

অপীবা মিনট লোইবা ফাওবদা গোল শোথরিবা আই ই ভি এস এ না অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙমদবদগী মেটচ অসি মাইথিবা নঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী অহানবা মেটচতা এফ ভি দব্লিউ এ অমদি এ এম ভি এ গা নুংথিল পুং ১তাবা মতমদা শান্নরগনি অদুগা অনীশুবা মেটচতা ভি এফ সি নাইন এ এম অমদি ভি এফ সি (বি) গা নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা শান্নরগনি।

## *তরেৎশুবা কেঐচ নোনিগোপাল মেমোরিয়েল ইনভাইটেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট*

# ত্রগপু অমদি এস ৱাই এস এ গোল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে

জিরিবাম, ফেব্রুৱারি ২৭ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এ জে এস এ), জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দা টিম ১২না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৭শুবা নোনিগোপাল মেমোরিয়েল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নমেন্ট ২০১৮–১৯গী ঙসি শান্নখিবা ১১শুবা মেটচকী ক্বার্টর ফাইনেল লীগ মেটচতা ত্রগপু অমদি এসৱাইএসএ তমেংলোং গোল ১–১ দা ওইদুনা দ্রো চখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ মেটচতা ত্রগপু অমদি এসৱাইএসএ তমেংলোং টিম অনীনা শান্নখি। ত্রগপুনা তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি অদুগা এসৱাইএসএ তমেংলোংনা বোল কাওবা হৌখি।

অহানবা হাল্ফ মমাংদা টিম অনীমক্না য়াম্না কন্না শান্নখি। অদুবু অপীবা মতমদা টিম অনীনা গোল অমত্তা চনবা ঙমখিদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাল্ফ মতুংদা ত্রগপু টিমগী শান্নরোই ঐচ জোটিন না ৪৬শুবা



মিনটতা গোল অমা চনদুনা একাউন্ট হাংদোকখি। অদুগা এসৱাইএসএ তমেংলোং টিমগী শান্নরোই পৌদিখোন না ৮৯শুবা মিনটতা গোল অমা মুক চনদুনা টিম অনীনা গোল ১–১ দা দ্রো ওইনখি।

ঙসিগী মেটচতা ঐচ সন্তোস সিংহ, পিঐচ লম্থোইবা সিংহ, কেঐচ নিলাকমল সিংহ অমদি আর কে অঙৌসানা না সেন্টর রেফরি, এ আর –১, এ আর –২ অমদি ফোর্থ রেফরিনা ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেটচ ওইনা হয়েং ১২শুবা মেটচ ওইনা শান্নগদৌরিবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগতা ইলেভেন ষ্টার এস সি অমদি মানগোলোইদ এফ সি টিমগা শান্নরগনি।

## *হিরো সেকেন্দ দিভিজ আই লীগ*

# ত্রাউগী অহুমশুবা হোম মেটচতা মায় পাক্লবা হোৎনগদৌরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৭ঃ

ওল ইন্দিয়ান ফুটবোল ফেদরেসননা শীন্দুনা গ্রুপ অহুম থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা হিরো সেকেন্দ দিভিজন আই লীগ ২০১৮–১৯ গী গ্রুপ–সিগী মেটচ ওইনা হয়েং ত্রাউ এফ সি অমদি মোহন মোহমমেদান স্পোর্টিং ক্লবকা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা ত্রাউগী অহুমশুবা হোম মেটচ ওইনা শান্নগদৌরিবা অসিগী মাংওইননা ঙসি খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা প্রি মেটচ কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে।

পাঙথোকখিবা প্রি– মেটচ কনফরেন্স অসিগী ত্রাউগী মেনেজর লাইশ্রম ইবোমচানা ফোঙদোকখিবদা ত্রাউনা মমাংগী হোম মেটচ অনিদা মাইথিবা নঙখ্রবসু হয়েংগী অহুমশুবা হোম মেটচ ওইনা কোলকাতাগী মমিং লৈরবা ক্লব মোহনমেদান স্পোর্টিং ক্লবকা শান্নগদৌরিবা অসিদদি ত্রাউনা মাই পাক্লবা হোৎনদুনা য়ুম্বু টিমগী ভাবকশিংবু পেলহনদুনা গ্রুপ–সি অসিগী টেবলদা মফম চানা লৈনবা হোৎনদুনা ফাইনেল রাউন্দ চঙনবা হোৎনগনি হায়খি।

ঙসিগী প্রি মেটচ কনফরেন্স অদুদা ত্রাউগী ভাইস প্রসিদেন্ট টি সুবাসচন্দ্র অমদি টিম অসিগী ষ্টাফ প্লেয়র অমদি টিম কেপ্টেনসু ওইরিবা নাইজরিয়ান প্রিন্স ৱিল ইমেকা শরুক য়াখি।

কনফরেন্স অসিদা এৱে টিম ওইরিবা মোহনমেদান স্পোর্টিং ক্লবকী মেনেঞ্জর বিলাল এ খাননা ফোঙদোকখিবদা হয়েং শান্নগদৌরিবা মেটচ অসি টিম অনীমক্কীদি য়াম্নমক মরু ওইবা মেটচ অমা ওইগনি।

মণিপুরগী টিম ওইরিবা ত্রাউ



অসি মমাংগী হিরো সেকেন্দ দিভিজন আই লীগতা ফাইনেল রাউন্দ চঙদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবা টিম অমা ওইবনা মখোয়বু মায়থিবা পীবা হায়বসি অরাইবা অমদি ওইরোইদৌরি। অদুবু ঐখোয়গী টিমনা হয়েংগী মেটচ অসি মাই পাক্লবগীদমক লাংলোন পুম্নমক য়াৎনবা লোইরে হায়বগা লোয়ননা য়ুম্বুদগী পোইন্ট অহুম শোইদনা মুনবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

কনফরেন্স অসিদা এৱে টিমগী কোচ সুমন গৌসাল অমদি টিমগী কেপ্টেন ফিল্লিপ অজাৎসু শরুক য়াখি।

নিংশিংবা য়াই মদুদি ত্রাউনা লীগ অসিদা হোম মেটচ অনী অমদি এৱে মেটচ অনী পুন্না মেটচ মরি শান্নবদা এৱে মেটচ অনীমক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ পাইরগা গ্রুপ– অসিগী টেবলগী মরিশুবদা লৈরি। অদুগা এৱে টিম ওইরিবা কোলকাতাগী মোহন বগান স্পোর্টিং ক্লবসু মেটচ মরি শান্নবদা পোইন্ট মরি ফঙদুনা গ্রুপ–গী ৫শুবা পোজিসনদা লৈরি।

**Group C**

| | Team | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Chhinga Veng FC | 4 | 3 | 1 | 0 | 6 | 0 | 6 | 10 |
| 2 | New Barrackpore RAC | 5 | 2 | 3 | 0 | 10 | 5 | 5 | 9 |
| 3 | ATK (Reserves) | 4 | 2 | 1 | 1 | 6 | 3 | 3 | 7 |
| 4 | TRAU FC | 4 | 2 | 0 | 2 | 6 | 7 | -1 | 6 |
| 5 | Mohammedan Sporting Club | 4 | 1 | 1 | 2 | 3 | 7 | -4 | 4 |
| 6 | Jamshedpur FC (Reserves) | 5 | 0 | 0 | 5 | 3 | 12 | -9 | 0 |

## *হিরো সব–জুনিয়র লীগ*

# আইরন বোর্ন এফ সি, ভৱানিপোর অমদি মোহন বগান এফসি মায় পাকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৭ঃ

ওল ইন্দিয়ান ফুটবোল ফেদরেসননা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখিবা হিরো সব–জুনিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা আইরন বোর্ন এফসি, ভৱানিপোর এফসি অমদি মোহন বগান এফসি মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফঙনখ্রে।

লীগ অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা কুপরেগ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা আইরন বোর্ন এফ সি না লিমন ব্রেক স্পোর্টস একাদেমীবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী গোলশিং অদু বিদান প্রমোদ সৱাটনা গোল অনী অদুগা অরজান পথাকিনা চনখি।

মেটচ অসিগী অঙানবা মিনট ১০ দা আইরন বোর্ন এফসিগী জর্সি নম্বর ৯ লিংথখিবা ফোৱার্দ বিদান প্রমোদনা লিমন ব্রেক স্পোর্টস একাদেমীগী গোল কিপর বান্স ধৱানবু মায়থিবা পীদুনা গোল একাউন্ট হাংদুনা ১–০ দা মাংজিল থাখি।

টিম অসিগী অনীশুবা গোল অদু মিনট ৩৪ চৎপদা গোল একাউন্ট হাংখিবা বিদান প্রমোদনা মহাক্কী অনীশুবা গোল ওইনা চনদুনা হাল্ফ লোইবা ফাওবা ২–০ দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা অতোপ্পা গোল অদুনা আইরান বোর্ন এফ সি গী কেপ্টেনসু ওইরিবা জর্সি নম্বর ৪ অর্জন পথানকিনা চনখি।

লীগ অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবদা কুইস ইষ্ট বেগল অমদি কেসাপ উমা চেরিটেবল ট্রস ফুটবোল একাদেমী গোল অমত্তা চান্নদনা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমমম য়েন্নখ্রে।

লীগ অসিগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা বিধান নগার মুনিসিপাল স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা মেটচতা ভৱানিপোর এফ সিনা য়ুম্বু বধানগর মুনিসিপাল স্পোর্টস একাদেমীবু গোল ৪–৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী গোলশিং অদু



ভৱানিপোরগীনা বাস্করশিংনা মিনট ৬ অমদি ৬৪দা গোল অনী, তনবির হুইসেলনা মিনট ৫৩ অমদি অসিপ মোলানা মিনট ২৮তা গোল অমমম চনখি। বদানাগর মুনিসিপাল স্পোর্টস একাদেমীগী গোলশিং অদুনা সোমোজিৎ দেবনা মিনট ৮ অমদি ১৩ দা গোল অনী অদুগা সবুস সোমিনা মিনট ৪ দা গোল অমা চনখি।

মেটচ অসিদা মাই পাক্লবা ভৱানিপোর এফসি গী সহিল ধুতা, মুখজি অমদি মাইথিরবা বদানাগর মুনিসিপাল স্পোর্টস একাদেমীগী প্রিতম সদারদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

লীগ অসিগী মরিশুবা মেটচ ওইনা ভরাসাট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মোহন বগানননা সাউথন সমিটিবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা মোহন বগানগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১০ মিরাজনা মিনট ২৬ অমদি জর্সি নম্বর অয়াননা মিনট ৩৪ দা চনখি।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com